**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 25-03-2025)**

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** রাজ্যপাল অজয় কুমার ভাল্লানা হায়রি-লৌউ শিংউবা হায়বসিনা রাজ্য অসিগী খক্তা নত্তনা লৈবাক অসিগী ওইনা মরুওইবা থৌদাংশিং লৌদুনা লাক্লি। মসিনা ঐখোয় মীওইবদা হিংবদা হেন্না লায়থোকহন্দুনা নুংঙাই য়াইফবগী লম্বীদা পুরি।

ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা নমিৎ মরিনি চত্থগদবা ক্রিসি মেলা হৌদোক্লদুনা রাজ্যপালনা হায়-মেলা অসিনা লৌমীশিংদা লৌশিং-গ্যান অমগা অমগা খঙমীন্নবগী অমসুং ইনোভেসনগী তঞ্জা অমা পীরি।

রাজ্যপালনা হায়-ঐখোয়গী সমাজ অসিদা লৌমীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। হৌখিবা চহি খরা অসিদা লৈবাক অসিগী ওহনা লৌউ শিংউগী লমদা চাউনা অহোংবা কয়া পুরকপা ঙমদুনা চাউখৎপগী লম্বীদা খোঙজেল য়াংনা চংশিল্লি। মহাকা হায়-অকোইবগী ফিভম কায়হন্দনা লৌউ শিংউগী পথাপ চত্থবনা লম অসিদা অহোংবা কয়া পুরকপা ঙমলে। রাজ্য অসিবু মীপাল তাংদবা, মশাগী পোৎথোক মতিক চানা পুথোকচবা লমদম অমা ওইহন্নবগীদমক ঐখোয় খুদিংমক হোৎনমীন্নসি হায়না রাজ্যপালনা আপিল তৌরি।

রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা মখা তানা হায়-মেলা অসিনা লৌমীশিংদা সরকারনা লৌউ শিংউগী লমদা পায়খৎলিবা স্কিমশিংগা মতাংদা হেন্না নীংথিনা খঙহনবা ঙম্লগনি। সরকারগী তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মখাদা বিনিফিসরিশিংদা কান্নবা কয়াসু ফংহল্লি।

মেলা অসিদা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসার অমসুং ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্রগী ওইবা লৌউ শিংউবগী পোৎলমশিং স্তোল ৩০ রোম হাংখি।

**কৈথেল (এল)ঃ** শজিবু কৈথেল হায়রগা খঙনবা থা অসিগী ২৯ ফাওবা চথুগদবা মেলা অমসু ঙসিদগী ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা হৌদোকখ্রে।

শজিবু কৈথেল অসিদা দিন্দয়াল অন্তোদয়া য়োজনা নেসনেল অবার্ন লাইফলিহুদ মীসনগী মখাদা লৈবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংনা পুথোকপা পোৎলমশিং উৎলি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা মনিপুর অবার্ন দিবলপমেন্ট এজেন্সি (মুদা) গী সেক্রেটরি-ঙাঙোম উতমনা হায়-মেলা অসিদা অবার্ন বোদি ২৭ কী সেল্ফ হেল্প গ্রুপ ৭০ রোমগী মীওইশিংনা পুথোকপা পোৎলমশিং উৎলি। পোৎলমশিং অসি লমদম অসিগী সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং পুকিং থৌগৎপা ওইনা পাঙথোকপা মেলা মখল অমনি। রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিংনা শাবা হেন্দলুম অমসুং হেন্দক্রাফকী পোৎলমশিং য়াওনা লমদম অসিদা চৈরাউবা কুম্মৈগা মরী লৈননা চৈরাউবগী খুদোল তমবা পোৎলম কয়াসু য়াওরি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মহুদকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি-আর.কে. দিনেসসু শরুক য়াখি।

**এম্ব্যুলেন্স (এল)ঃ** আই.সি.আই.সি.আই. বেঙ্কনা অসাম রাইফলসতা এম্ব্যুলেন্স মরি খুৎশিন্নখ্রে।

অসাম রাইফলসকী ১৯০ শুবা রাইজিং ডেগা মরী লৈননা বেঙ্ক অসিনা কোরপোরেট সোসিএল রেসপোন্সিবিলিতিগী মখাদা এম্ব্যুলেন্সশিং অসি খুৎশিন্নখিবনি।

থৌরম অসি অসাম রাইফলসকী শিল্লোংদা লৈবা হেদক্বাটরসতা পাঙথোকখিবনি।

**নবার্দ (এল)ঃ** নেসনেল বেঙ্ক ফোর এগ্রীকলচরেল এন্দ রুরেল দিবলপমেন্ট (নবার্দ) মনিপুর রিজনেল ওফিসনা শিনদুনা ঙসি হোটেল ইম্ফালদা ষ্টেট ক্রিদিট সেমিনার পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা মনিপুর রুরেল বেঙ্কনা কিষান ক্রেদিট কার্ড (কে.সি.সি) গী কাংলুপ্তা ভেষ্ট পার্ফোমর বেঙ্ক এৱার্ড, মনিপুর ষ্টেট কো-ওপরেটিব বেঙ্কনা এন্যিমেল হসবেন্দরি এন্দ ফিসরিদা কে.সি.সিগী এক্সিলেন্স মনা অমসুং মনিপুর রুরেল বেঙ্কনা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ বেঙ্ক লিঙ্কেস প্রোগ্রামগী লমদা মনা ফংলে। সোসিএল সিক্যুরিতি স্কিমগী মখাদা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা ভেষ্ট পার্ফোমর মনা ফংলে।

**কিরেন ঃ** মাইনোরিতি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজিজুনা হায়রি-২০৪৭ ফাওবদা লৈবাক অসিবু মরোমদোম লেপচবা লৈবাক অমা ওইহনবদা মীশিং য়াজমদবা মীওইশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ।

ন্যু দিল্লিদা ষ্টেট মাইনোরিতিগী মীফম অমদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-মীশিং য়ামজদবা মীওইশিং অসিদা শিক্ষা অমসুং অহেনবা চাউখৎ থৌরাংগী অহেনবা মীৎয়েংশিং থল্লি। মহাকা হায়-সরকার অসিনা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী স্কিমশিং পায়খৎতুনা মীশিং য়ামজদ্রবা কাংলুপ ওইরিবা মুস্লমান, ইশাই, শিখ, বৌধ, জৈন অমসুং জোরোশিংগী য়াইফনবা হোৎনরি।

শ্রী রিজিজুনা ষ্টেট মাইনোরিতি কম্মিসনগী ষ্টেকহোল্ডরশিংনা মশিং য়ামজদ্রবা মীওইশিংগীদমক পায়খৎলিবা স্কিমশিং অদু মখোয়দা ফংহন্নবা হোৎনবীগদবনি। সরকার অসিনা মখোয়গী য়াইফনবগীদমক তোঙান তোঙানবা শেলগী তেংবাং কয়াসু পীনবা থৌরাং তৌরি।

**সেনাপতি (এল)ঃ** সেনাপতিদা চেল্লিবা তুরেলশিং লু-নান্না থমবগী শরুক অমা ওইনা চথরকপা ক্লিন সেনাপতি রিভর কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন সেনাপতিনা শিনদুনা সেনাপতি থোংদগী হৌরগা মন্দে মার্কেট ফাওবদা অমোৎ-অকায় শেংদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু তুরেশিং লুনা নান্না থমসি অমসুং ঈচেলশিং নীংথিনা চেলহ্নসি হায়বা ৱাখল্লোনদা পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা সেনাপতি জিলাগী দিপ্যুতি কমিস্নার-মামোনি দোলি, এস.দি.ওশিং, রেভিন্যু বিভাগকী ষ্টাফ, ওটোনেমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল অমসুং দি.আর.দি.এ., তোঙান তোঙানবা লুপশিং য়াওনা পুন্না মীওই ৫০০ রোমনা শরুক য়াখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কমিস্নার-অহন্থোম সুভাসনা হায়রি-থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা হৌখিবা চহি ২০২৪ দা হোস্পিতাল অসিদা মীওই লাখ অমা লিশিং ১৫ হেন্না ও.পি.দিদা লায়েংবা লাকখি। হোস্পিতাল অসিগী ডাক্তর, নর্স অমদি ষ্টাফশিংনা জিলা অসিগী মীয়ামগীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা থবক ফজনা তৌবদগী মীওই কয়া লায়েংবা ঙমখিবনি।

জিলা অসিগী দি.সি. কমপ্লেক্সতা লৈবা কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা হোস্পিতাল অসিগী চহিগী ওইবা মীফমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী সভাসনা হায়-মীয়ামনা হোস্পিতাল অসিবু থাজবা থন্বীয়ু অমসুং নুংশিবীদুনা মখা তানা মীয়ামনা লায়েংবা লাকপীনবা আপিল তৌরি।

**বিষ্ণুপুর (এল)ঃ** ভারত লান্মীগী স্পিয়ার কোর্পসনা শিনদুনা বিষ্ণুপুর জিলাদা ঙসি এক্স সার্ভিসমেন রেল্লি অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি এক্স সার্ভিসমেনশিংগা নুংশি চান্নলা অচেৎপা মরী থমনবা ৱাখল্লোনদা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা স্পিয়ার কোর্পসকী কম্মান্দিং ওফিসার, লেফটনেন্ট জেনরেল-অভিজিৎ এস. পেন্ধারকর, রেড সিল্ড দিভিজনগী জেনরেল কম্মিন্দিং ওফিসার-মেজর জেনরেল এস.এস.

কারতিকেয়া লোয়ননা ভেটরান ৪৫০ রোমনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা নাৎকী ওইবা থৌরম কয়াসু পাঙথোকখি।

**ফোল্ক (এল)ঃ** কিটস কলচরেল একাডমী ককচিংনা শিনদুনা চহি ১২ মখাগী মনিপুরি ফোল্ক দান্স চাংদমবগী থৌরম ঙসি ককচিংগী লাইব্রেরী এন্দ ইনর্ফোমেসন সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

চাংদমবা অসিদা তোঙান তোঙানবা টিম ৮ অথোই অহেন তান্নখি। সন্দে দান্স ক্লাস সেন্টর-ককচিং হরাউবা টিমনা খ্বাইদগী মকোক তাখ্রে।

**বিহার (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পাঙ্গে লন্মীগী খুরাই হৈক্রু মখোঙ মনাক্তা স্পিসিএল সি.দি.ওশিংনা অচৎ অওকশিং থিবা হুন্বগী থবক চথবদা মীওই অমদগী বিয়ার কেন ৪৮০ ফাগৎলে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়-ফারবা মীওই অদু মখোং মরি পানবা গাড়ি অমগা লোয়ননা লাকপনি। ফারবা পোৎলম অমসুং মীওই অদু এক্সসাইজ দিপার্টমেন্টতা শিন্নখ্রে হায়রি।

**মৈ (এল)ঃ** এম.এস.পি.দি.সি.এলগী কর্ম্মচারিশিংনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা মৈ লান্না শিজিন্নরম্বা কঞ্জুমর ২৩ ফাগৎখ্রে।

অতোপ্পা কঞ্জুমর ১৮ গী মৈ ককথৎখ্রে। মখা তানা মৈ ফাবগী থবক চথখিগনি হায়রি।

**মন্টকিবাটঃ** থা অসিগী ৩০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ১২০ শুবা মন্ট কী বাট পুকিংগী ৱা থৌরমদা মীয়ামা মখোয় মখোয়গী ৱাখল্লোনশিং পীরকবা প্রধান মন্ত্রিনা আপিল তৌরি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা শ্রী মোদিনা হায়-হন্দক থাগী

ওইনা মন্ট কি বাটকী থৌরমগীদমক মীয়ামদগী তোঙান তোঙানবা ৱাখল্লোন পীরকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি। অসিগুম্বা মীয়ামগী ৱাখল্লোন অসিনা সমাজ অসিগী ফনবগীদমক অপুনবা শক্তী তঙাইফদে হায়বদু উৎলি। শ্রী মোদিগী ১২০ শুবা মন্থ কি বাট থৌরমগীদমক মীয়ামা মখোয়গী ৱাখল্লোন তোল ফ্রি নম্বর ১৮০০-১১-৭৮০০ নত্রগা নরেন্দ্র মোদি এপ নত্রগা মাই গোভ ওপন ফোরমদা থা অসিগী ২৮ ফাওবা পীশিল্লবা য়াগনি।

**সহি ঃ** ভারত অমসুং সিঙ্গাপুরনা দিজিটেলাইজেসন অমসুং দি-কর্বোনাইজেসন হায়বসিদা মীৎয়েং থমদুনা গ্রীন এন্দ দিজিটেল সিপ্পিং কোরিদোর (জি.দি.এস.সি) গা লেট্টর ওফ ইনটেন্ট (এল.ও.আই) ঙসি সহি তৌনখ্রে।

সিঙ্গাপুরগী মেরিটাইম এন্দ পোর্ট ওথোরিতি অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ পোর্টস এন্দ সিপ্পিংনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-সিঙ্গাপুর-ইন্দিয়ান গ্রীন এন্দ দিজিটেল সিপ্পিং কোরিদোরনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈনরিবা মরী হেন্না চেৎশিনহনবা ঙমগনি অমসুং মসিগী মতেংনা গ্রীন হাউস গ্যাস থাদোক্তবা নৎত্রগা চাং নেমা থাদোকপা টেকোলোজি কয়া শেমগৎ শাগৎপদসু অচৌবা মতেং ওইগনি। ভারতকী পোর্টস সিপ্পিং এন্দ ৱাটরৱেজ মন্ত্রালয়গী জোইন্ট সেক্রেটরি-আর. লক্ষমনান অমসুং সিঙ্গাপুরগী মেরিটাইম অমসুং পোর্ট ওথোরিতিগী চীফ ইগজকিটিব-টিও ইং দিনহ অনিনা লেট্টর ওফ ইনটেন অদু সহি তৌনখি।

**মুরমুঃ** রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-ত্রাইভেল খুলশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী খুদোংচাবশিং ফগৎহন্নবা কেন্দ্র সরকারনা থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

উরিষাগী নয়াগর জিলাগী কালিয়া পলিদা পাঙথোকপা ভারতিয়া বিস্বা বাসু সবর সমাজ লিংখৎখিবগী কুমওন থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা রাস্ত্রপতিনা হায়-মগুন লৈবা শিক্ষা, স্কিল দেভলপমেন্ট অমসুং মোবাইল নেটৱার্ককী খুদোংচাবশিং

ফংহন্নবা সরকারনা হোৎনরি।

রাস্ত্রপতিনা হায়-কেন্দ্র সরকারনা পীরিবা স্কিমশিংগী খুদোংচাবা লৌদুনা ত্রাইভেলশিংনা মরোমদোম লেপচবা ঙমবা হোৎনগদবনি। মহাকা হায়-ইং ২০৪৭ ফাওবদা ভারতনা ভিক্সিট ভারত ওইনবা পান্দম থল্লিবা অসিদা পার্তিক্যুলরলি ভলনরেভল ত্রাইভেল গ্রুপস (পি.ভি.টি.জি)শিংনা মহৌশাগী লন্বী থোরক্তুনা শরুক য়াগদবনি। রাস্ত্রপতিনা হায়-ত্রাইভেলশিংনা মশানা মশাবু শিক্ষা পীজদুনা সরকারনা পীরিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী খুদোংচাবশিং অদু খঙজবা ঙমগনি।

**রোডঃ** রোড ত্রান্সপোর্ট অমসুং হায়ৱেজ মন্ত্রি-নিতিন গদকারিনা হায়রি-লৈবাক অসিদা থোক্লিবা লন্বীগী খুদোংথিবা থৌদোকশিংগী চাদা ৬০ হেন্নদি চহি ১৮ দগী ৪৫ ফাওবদা লৈবা মীওইশিং ওইনা তৌই।

ন্যু দিল্লিদা অমচমগী টেকোলোজি ইন্টরভেসন ফোর রোড সেফতি-য়ু.এন. ইন্দিয়া পাটনরসিপতা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী গদকরিনা হায়-লৈবাক অসিনা লন্বীগী খুদোংথিবা থৌদোকশিংদা চাদা ৩ গী চাংদা জি.দি.পি. মাঙই। লন্বীগী খুদোংথিংবা থৌদোকশিং থোকপশিংদা চংশিনদুনা খুদক্তা মতেং পাংলিবা মীওইশিংদা সরকার অসিনা লুপা লিশিং ২৫ গী মনা পীনবা গুদ সমারিতান স্কিমগী ৱাফমসু মন্ত্রিনা পনখি।

মন্ত্রিনা হায়-মহে লোইশঙশিংদা লন্বীগী নিতি নিয়ম ঙাকা চৎনবগী মতাংদা শিক্ষা পীবা তঙাইফদে। মসিনা মহেরোইশিংদা লন্বী চৎপা মতমদা নিয়ম ঙাকা চৎপদা চাউনা মতেং ওইগনি।

**মাওইষ্ট ঃ** ছাতিসগরগী দানটেৱারা জিলাদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা মাওইষ্টশিংগা খুৎ থোকবদা মাওইষ্ট অহুম শিরে। পাউ খরনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা

কাংবু অমনা বিজাপুর অমসুং দানটেৱারা জিলাগা লোন্নবা ঙমখৈ পরিংগী উমংশিংদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথবদা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা শিরবা মাওইষ্ট অহুম অমসুং য়াল্লবা নোংমৈ অমসুং নোংমৈ মরুশিংসু ফাগৎপা ঙমলে।

**পোলো (এল)ঃ** ৩৭ শুবা এন হজারি অমসুং ডা.এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টোরনামেন্ট ২০২৫গী ফাইনেল মেটচতা এক্স পোলো ক্লব-ৱাংখৈনা মনিপুর পুলিস পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৬-৫ দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইরে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগকী ঙসি আর্টিফিসিএল তব গ্রাউন্দ-লমলোং থোংখোংদা শান্নখিবা মেটচশিংদা সাই আর.সিনা নম্বুল মপাল এঠলেটিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (নাকো) বু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা সঙাই হেরোজনা য়ুনাইটেদ ব্রদরস এফ.সিব্ পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

**ফূটবোল (এল)ঃ** উৎলৌদা পাঙথোক্লিবা দি.এস.এ. ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা রিগুলর ফুটবোল কোচিং সেন্টরনা ক্রাউবু পাঞ্জল ৭-২ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** অনিশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিয়েল টি-ট্বেন্তি মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.সি.সি. ৱাংখৈনা আর.এন.ই.এফ. (মিকা) ময়াং ইম্ফালবু রন-৪৩ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু. লালাম্বুং মখোংনা মোদেল ক্লব চিংঙামখাবু রন-২৫ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** চহি ২৩ মখাগী নুপাগী অনিশুবা এম.এন.সি.এ. হাওম বিরমঙ্গোল সিংহ মেমোরিএল ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.ডব্লিয়ু.সি. লংথাবালনা ত্রাউ ক্কৈথেলবু ৱিকেট ৯ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা রুল মৈত্রমনা থাউ থাংমৈবন্দবু ৱিকেট তরুক্তা, আর.সি.এ. লিলোংনা এ.এম.সি.এ. থৌবালবু রন-৩১৩ দা থোইখি।

**কাং (এল)ঃ** অনিসুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা মেমোরিয়েল লিগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- য়াইস্কুল মিক্সনা থোংজবু পাঞ্জল ৯-৭ তা থোইখ্রে।